www.sanaleibak.in

SANALEIBAK

সনালৈবাক

PROGRESSIVE JOURNALISM



নেদফিগী স্পোন্সরসিপ মখাদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ৱাংখৈ অয়াং পল্লি রোদতা লৈবা সোসেল এমিলিওরেসন সোসাইটিনা শীন্দুনা লাইরিক লাইশু হৈরবা থবক ফংদ্রিবা নহারোল ২০গী স্কিল ট্রেনিং প্রোগ্রাম লোইশিনবগী থৌরম



চরাংপাৎ লক্ষ্মী বাজারদা পাঙথোকপা মীফম অমদা জে এফ দিগী কনভেনর জিতেন্দ্র নিংওম্বনা মীতোপ খন্দোক্ত্রিঙৈ নমদুনা সেন্সস তৌরক্লবদি মদুদা থোক্লকপা অফ-ফত্তগী তেকচাক পূম্বা লৈঙাক্লা পুগদবনি হায়না ফোঙদোকখিবা



ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা খুন্দ্রাকপম এ সিগী তরেৎখুলদা নৌনা শেমগৎপা ন্যু গোল্ড ক্লব (এন জি সি) গী শান্নবুং অমা এ সি অসিগী এম এল এ লোকেশ্বরনা মীয়ামদা খুৎশিন্নবা

Volume No: 50 Issue: 117 IMPHAL, FRIDAY, APRIL 03, 2026 মালিয়াফম পালচা কুমশীং ৩৪২৪ ইরাই, শজিবুগী ১৬নি পানবা RNI Regd. No. 31350/77 PAGE : 10 Price: ₹ 5.50

## ৱাখলগী চিঞ্জাক

নহাক্লা হোৎনবা লেপত্রিবা ফাওবা নহাক মায়থিদ্রিবনি

### ববিনাগী ডোক্তরনা ফ্লাইটতা পেসেন্ট কনখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০২ (এস এন এস)ঃ ববিনা হোস্পিটাল্ অমসুং অমেরিকান ওনকোলোজি ইন্সটিট্যুট (এ ও আই) গী ডোক্তর অমনা ফ্লাইট তোংদুনা লাকপদা ইমর্জেন্স থোক্লকপদগী নোংথক্তা পেসেন্ট অমগী থৱায় কনখ্রে। থৌদোক অসি হৌখিবা ফেব্রুৱারিগী ২৮দা ববিনাগী ডোক্তর লোনি লিরিনানা তোকিওদগী ন্যু দিল্লি তন্না পাইরকপা এয়র ইন্দিয়াগী ফ্লাইট অমদা থোকখিবনি। ফ্লাইট মনুংদা মশাগী এজমা লৈবা মীওই অমা খূদক্তা হার্ট রেট, ব্লদ প্রেসর অমসুং ওক্সিজেন লেভেল নেমথরকপদগী ইমর্জেন্সি থোক্লকপনি। মদুদা ডা লোনিনা চোং থোক্তুনা ত্রিটমেন্ট চথুবদগী অনাবা অদুগী থৱায় কনবা ঙমখিবনি হায়রি।

### লাইসেন্স নোংমৈনা কাপশিন্দুনা শিজখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০২ (এস এন এস)ঃ ঙরাং অহিং ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা নাগমপাল কাংজাবী লৈরক ফ্রেন্দ কোলোনিদা লৈবা মীওই অমা মশাগী লাইসেন্স নোংমৈনা কাপশিন্দুনা শিজখ্রে। লৈখিদ্রবা মীওই অদুগী মমিং খাইদেম গৌরমনি (৫০) কৌই, কাংজাবী লৈরক ফ্রেন্দস কোলোনি ইম্ফাল ৱেষ্টতগীনি হায়রি।

থৌদোক অদুগা মরী লৈননা লম্ফেল পুলিস ষ্টেসন্না য়ু দি কেস অমা লৌখৎখ্রে। অশিবা হকচাং অদু পোষ্ট মোর্টেম তৌনবা রিমস মোর্গতা থল্লি হায়না পাউ অসিনা মখা তারি।

### বোম লৈরক্লে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০২ (এস এন এস)ঃ ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা লুৱাংশংবম অৱাং লৈকাইদা বোম অমা লৈরক্লে। বোম অদু ৱার্ল্ড ৱার টু মতমগী ওইরম্বা য়াই হায়না পুলিসনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

পুলিসনা হায়রিবা মফমশিং অদু মমাঙদসু বোম ফংখিবগী থৌদোক লৈখ্রে হায়রি। *...মখা লমায় ৭তা...*

# পিছ প্রোসেস থুজিল্লু হায়বা য়াথং ফংলবা সি এম ইম্ফালদা থুংলবগা গভর্ণর উন্নখ্রে

## কৌত্রুকতা কুকিশিংনা নোংমৈ কাপশিল্লকপদগী আই আর বিগা খূৎ থোক্লখ্রে



ইম্ফাল, এপ্রিল ০২ (এস এন এস)ঃ মণিপুরদা তংদু লৈতাবা হঞ্জিল্লক্লবা অনৌবা লৈঙাক অসিনা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিং হেন্না থুনা য়াংনা পায়খৎলু হায়বা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরগী য়াথং ফংলবা চীফ মিনিষ্টর য়ুন্নাম খেমচান্দ ঙসি নুংথিল পুং ১ তাবদা ইম্ফালদা হেক থুংলবগা লোক ভাবনদা চঙদুনা মণিপুরগী গভর্ণরগা মণিপুরগী লো এন্দ ওর্দরগী মতাংদা কূপ্পা খন্ন-নৈনখ্রে।

চৈরক অসিদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী কৌত্রুককী হরাওথেল মায়কৈদগী কুকিশিংনা মৈতে খুল তন্না নোংমৈ রাউন্দ কয়া কাপশিল্লকখ্রে। মফম অদুদা সন্ত্রি তৌদুনা লৈবা ফার্ষ্ট আই আর বিগী কাংবূনসু খূৎ হন্দুনা ঙাইহাক নোংমৈ কাপ্পখি। থৌদোক অদু ঙসি নুমিদাং পুং ৬.৩০ খরা হেনবা ৭ তারমদাই অদুৱাইদা থোকখিবনি হায়রি।

মনাক নকপা মফমদা লৈবা খুঞ্জাশিংনা ফোঙদোরকপগী মতুং ইন্না থৌদোক অদু ঙসি নুমিদাংৱাইরম মমশিল্লকপা মতমদা বোম অমা পোকখায়বগী মখোল তাখি। মদুগী মতুংদা নোংমৈ কাপ্পগী মখোল অদুসু তারকখিবনি। নোংমৈ কাপ্পগী মখোল তারকপদগী মফম অদুদা সি আর পি এফ অমসুং আই আর বিগী কাঙবু চঙশিন্দুনা য়েংশিনবদগী মখা তানা নোংমৈ কাপ্পগী মখোল অদু তাখিদ্রে।

অতোপ্পা পাউ অমগী লীখুলনা থৌদোক অদু কৌত্রুককী মথক্তা লৈবা হরাওথেললোমদগী বোম য়াওনা নোংমৈ রাউন্দ কয়া কাপথরকখিবনি। মদুদা কৌত্রুককী চীংখোঙদা সন্ত্রি তাদুনা লৈবা ফার্ষ্ট আই আর বিগী কাঙবুনসু খূৎ হনখি হায়না ফোঙদোরক্লি।

পনবা য়াই, ঙসি কৌত্রুকতা নোংমৈ কাপথরকখিবগী থৌদোক অসিগা মান্ননা ঙরাংসু সনাশাবী মমাঙ চীংদগী মৈতে খুল তন্না নোংমৈ রাউন্দ কয়া কাপ্পকখিবা থৌদোক লৈখ্রবনি। মদুগীসু মথক্তা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না ফৌগাকচাউদা ইরাংনা মরম ওইরগা লাঞ্জেন্নরুবা আই দি পিশিং মশা মশাগী ময়ূমদা হঞ্জিন্দুনা লৈখ্রবা মতুংদা মফম অদুদা হাংবা ইন্দিয়ান আর্মিগী পোষ্টতা কুকি খূৎলায় পায়বশিংনা নোংমৈ কাপশিন্দুনা লান্দারকপগী থৌদোকসু হৌখিবা থাদা থোকখিবনি।

থৌদোকশিং অসি মতম শাংনা প্রসিদেন্ট রুল লৈদুনা মণিপুরদা নোংমৈ কাপ্পা লেপ্লে হায়রদুনা য়ুন্নাম খেমচান্দনা লুচিংবা অনৌবা লৈঙাক অমা লাক্লবা মতুংদা লৈঙাক অসিনা মায়কৈ *...মখা লমায় ৭তা...*

চীংদা লৈঙাক চলাইবা ঙম্লুদ্রবা তুংদা

# সোসিয়েল ৱেলফিয়র দিরেক্তরনা সিসিপুরদা এম এল এশিং উন্নখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০২ (এস এন এস)ঃ কুমজা ২০২৩গী মে ৩দগী মণিপুরদা থোকখিবা ইরাং অসিনা মণিপুরগী চীংগী মরুওইনা কুকিশিংনা খুন্দাবা মফমদা মণিপুর লৈঙাক্কী দিপার্টমেন্ট অমসুং লৈঙাক্লোন য়ৌবা ঙমদবগী মমি মীয়ান্না উবা ফংলকখিবা অদু অনৌবা লৈঙাক অসিগী চীফ মিনিষ্টর য়ুন্নাম খেমচান্দগী মীৎয়েং মখাদা চীংদসু লৈঙাক য়ৌহন্নবা থৌরাং পায়খৎপা হৌরক্লে। সোসিয়েল ৱেলফিয়র দিপার্টমেন্টকী দিরেক্তর অব্দুল হকিমনা লুচিংবা দিপার্টমেন্ট অসিগী কাঙবু অমনা চুরাচান্দপুরদা চত্তুনা মফম অদুদা লৈবা এম এল এশিং য়াওনা অঙ্গনৱাদি ৱার্কর অমদি মীয়ামগা উন্নদুনা চাউখৎ থৌরাংগী মতাংদা হকথেংননা ৱারী শান্নখ্রে। অঙ্গনৱাদি ৱার্করশিংনা চীফ মিনিষ্টরগা হকথেংননা উন্নদুনা ৱারী শান্ননিংবগী অপাম্বসু ফোঙদোরকখ্রে।

মণিপুরদা থোকখিবা ইরাং অসিনা মরম ওইরগা মণিপুর লৈঙাক্কী দিপার্টমেন্ট খক্তা নত্তনা মকোক থোংবা এম এল এ, মন্ত্রী ফাওবা চীংগী লম মরু ওইনা কুকি ফুরুপনা খুন্দাবা মফমশিংদা চৎপা য়াদবা, চীংদগীসু তম্পাক্তা কুম্লকপা য়াদবগী ফিভম অমদা লৈরকখিবা অদু কোকহন্নবা অনৌবা লৈঙাক অসিগী



চীফ মিনিষ্টর য়ুন্নাম খেমচান্দনা লুচিংদুনা নাকল অনীদা লৈনরিবা থাজনদবশিং কোকহন্দুনা মণিপুরদা তংদু লৈতাবা পুরক্লবা হোৎনরকপগী মমি মীয়ান্না উবা ফংলে। চীফ মিনিষ্টরগী মীৎয়েং মখাদা সোসিয়েল ৱেলফিয়র দিপার্টমেন্টকী দিরেক্তর অব্দুল হকিমনা লুচিংদুনা ঙসি চৎখিবা চুরাচান্দপুরগী খোঙচত্ত তংদু লৈতাবা পুরক্লবা অনৌবা ময়োল চোং লকপগুম তৌরে।

ঙসিগী খোঙচৎ অদুদা দিরেক্তর অব্দুল হকিমনা চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা হেংলেপ এ সিগী এম এল এ লেৎজমাঙ হাওকিপ, সিংহাট এ সিগী এম এল এ চিনলুনথাং মনলুন, চুরাচান্দপুর এ সিগী এম এল এ এল এম খৌতে, সাইকোট এ সিগী এম এল এ পৌলিয়ানলান হাওকিপ অমসুং থানলোন এ সিগী এম এল এ লৈখিদ্রবা ভুংজাগীন ভালটেগী মচানুপা জোসেফ ভালটেগা উন্নদুনা দিপার্টমেন্ট অসিনা পায়খৎলিবা অমসুং পায়খৎলক্কদবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা ফম্মিন্নদুনা ৱারী শান্নখ্রে।

উন্নবা অদু লোয়রবা মতুং চুরাচান্দপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমদগী লাকপা অঙ্গনৱাদি ৱার্কর, হেল্পর, সুপরভাইজর, *...মখা লমায় ৭তা...*

## বোসেম ওফিসতা য়েরুম থোমজিন্দুনা লান্দাখ্রে



ইম্ফাল, এপ্রিল ০২(এস এন এস)ঃ ক্লাস টেন ফাওবগী মহৈরোইশিংনা শীজিন্নগদবা লাইরিক নন্নবা অমদি এগজামগী অন্সর সিটকী পেপর অসি ক্বালিটি মেন্টেন তৌদবা, সব ষ্টেন্দার্দ ওইবা চে শীজিন্নরে অমদি অচৌবা স্কেন্দল অমা থোকপগী ইশু লৈরে হায়না থা অনী অহুমগী মমাঙদা লাওথোকখি। লোয়ননা ফিভম অসি হায় লেভেল কম্মিটি অমনা ইনক্বারি চথনবা খঙহনখ্রবসু ঙসি ফাওবা থবক অমত্তা পায়খৎলক্ত্রিবগীদমক দেমোক্রেটিক ষ্টুদেন্টস এলাইন্স ওফ মণিপুর (দেসাম)গী খোইশাওনরবা থৌমীশিংনা বাবুপারাদা লৈবা বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুর (বোসেম)গী লোইশঙদা য়েরুম থোমজিন্দুনা লান্দখ্রে।

ক্বালিটি য়াওদবা লাইরিক ফোংবা অমদি চেন্নরিবা মীওইশিংগী মথক্তা এক্সন লৌখৎকদবনি হায়না দেসামগী থৌমীশিংনা বোসেম ওফিস তন্না থোমজিল্লকপদা মণিপুর পুলিসনা থৎতুনা থন্নবা হোৎনখি। মদুদা নাকল অনীগী মরক্তা চাওনা মুক্লবা থোকখি। খোঙজং অদুগা মরী লৈননা দেসামগী প্রসিদেন্ট ওইনাম রোমেসনা হায়, মহৈরোইশিংনা সেসন ২০২৬তা তমগদবা লাইরিক্কী ৱাথোক পুংজাও থিলহনখ্রবসু বোসেমগী ওথোরিটিশিংনা ৱাথোক অসিবু *...মখা লমায় ৭তা...*

## মীতোপ খন্দোক্ত্রিঙৈ সেন্সস পাঙথোকপা থিংহৌনবা হোৎনহৌসি: লোকেশ্বর

ইম্ফাল, এপ্রিল ০২(এস এন এস)ঃ ইন্টর্নেল্লি দিসপ্লেস পার্সন্স (আই দি পি)শিংগী ইশু লোইশিন্দুনা মীতোপ খন্দোক্ত্রিঙৈদা সেন্সস পাঙথোকপা থিংহৌনবা ঐখোয় পুন্না হোৎনহৌসি। ইল্লিগেল ইমিগ্রেন্টশিং মপুং ফানা খন্দোক্তুনা ষ্টেট অসিগী লৈরিবা ইশু লোইশিল্লবা মতুংদা সেন্সস পাঙথোকপদা অকায়বা লৈতে হায়না খুন্দ্রাকপম এসেম্বলী কন্সটিট্যুয়েন্সিগী এম এল এ থোকচোম লোকেশ্বরনা ফোঙদোকখ্রে।

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা খুন্দ্রাকপম এ সিগী তরেৎখুলদা নৌনা শেমগৎপা ন্যু গোল্ড ক্লব (এন জি সি)গী শান্নবুং অমা ঙসি মীয়ামদা খুৎশিন্নবগী থৌরমদা শরুক য়ারদুনা ৱাফম অসি এম এল এনা ফোঙদোকখিবনি।

এন জি সি ক্লবনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা শান্নবুং খুৎশিন্নবগা ইরোইননা অহানবা এন জি সি কপ ৯ এ-সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট হৌদোকপগী থৌরম অদুগা মরী লৈননা এম এল এ লোকেশ্বরনা পাউমীশিংদা হায়, মণিপুরদা থোক্লিবা ইরাংগী চৈথেং মায়োক্লন্দুনা লাঞ্জেনরবা আই দি পিশিং ঙসিসু মশাগী মফমদা নেনা তানা হঞ্জিন্দুনা লৈবা ঙমদ্রি। মসিদা নত্তনা ষ্টেট অসিদা কাংলোন কায়না মীতোপ চংশিল্লকপগী ইশু কয়া অমসু লৈরিবনি। অসিগুম্বা চৈরক অসিদা মতৌ করন্না সেন্সস *...মখা লমায় ৭তা...*

## চীংমীশিংগী মরক্তা থোক্লিবা ইরাং অথুবদা লোইশিনগদবনি: অলফ্রেদ

ইম্ফাল, এপ্রিল ০২(এস এন এস)ঃ কুকি অমদি মৈতৈগী মরক্তা ইরাং থোকপদগী হেন্দোরক্তুনা মণিপুরগী চীংমীশিংগী মরক্তা থোক্লক্লিবা ইরাং অসি অথুবদা লোইশিন্নবা ষ্টেট অমদি য়ুনিয়ন লৈঙাক্লা থৌরাং পায়খৎলু হায়না আউটর মণিপুর লোক সভাগী এম পি অলফ্রেদ কানঙম আর্থরনা পার্লিয়ামেন্টতা লাউখ্রে।

ঙসি চথখিবা লোক সভা মীফমদা ৱা ঙাংলদুনা এম পি অলফ্রেদ আর্থরনা হায়, কুমজা ২০২৫গী ফেব্রুৱারি ১৩দা মণিপুরদা প্রসিদেন্ট রুল থম্লকখিবা অদুনা করিগুম্বা তংদু লৈতাবা খরদি লাক্লগনি হায়না থাজখিবনি। লোয়ননা ষ্টেট অসিদা পি আর থম্লকপনা ইং-তপ্পা শোইদনা হঞ্জিলক্ল গনি হায়বগী থাজবা মীয়ামদা লৈখিবনি। অদুবু চহী অসিগী ফেব্রুৱারি ৪দা মণিপুরদগী পি আর লৌথোক্তুনা পোপুলর লৈঙাক অমা শেম্লকখিবনি। মণিপুরদা হান্না কুকি অমদি মৈতে ফুরুপ অনীগী মরক্তা ইরাং থোক্লম্বনি। অদুবু ঙসিদি মসিদগী হেন্দোরক্তুনা ষ্টেট অসিগী চীংগী মফমদসু ইরাং থোক্লক্লে। চীংমীশিংগী মরক্তা ইরাং থোক্তুনা য়ামদ্রবদা মীওই ৭ / ৮গী থৱাইদি মাংখ্রবনি। মরম অদুনা মণিপুরগী চীংগী মফমদা ইরাং থোক্লক্লিবা অসি লেপহন্নবা ষ্টেট অমদি য়ুনিয়ন লৈঙাক্লা চপ চাবা থবক পায়খৎকদবনি।

লৈবাক অসিদা ইং তপ্পা লৈহন্নবা *...মখা লমায় ৭তা...*

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

## লোইরেদনা

খুলগী অৱাৎপা য়েংশিনবা লাক্কনেসু হান্না হায়দনা...!



এ...ঐদি ঐগী ফার্মদা লাকপনি খুলগীনা ভোট ময়াদা তাগনিকো ...!

## গুদ ফ্রাইদেগী য়াইফ পাউজেল পীনরক্লি

ইম্ফাল, এপ্রিল ০২ (এস এন এস)ঃ খৃষ্টিয়ান লাইনিং চৎপশিংগী মরুওইবা নুমিৎ অমা ওইরিবা গুদ ফ্রাইদেনা লাকপদা মণিপুরগী গভর্ণর অজয় কুমার ভাল্লা, চীফ মিনিষ্টর য়ুন্নাম খেমচান্দ, দিপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর নেমচা কিপগেন য়াওনা মরুওইবা মীওই কয়ানা য়াইফ পাউজেল পীনরক্লি।

নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা গভর্ণর সেক্রেটেরিয়েটতগী থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মীওইবা খুন্নাইগীদমক্তা যীশু খৃষ্টনা পাঙ তিংদুনা সেক্রিফাইস তৌখিবা নুমিৎ অদুবু নীংশিংবা ওইনা গুদ ফ্রাইদেগী থৌরম অসি মালেম শীনবা থুংনা পাঙথোকপনি। নুমিৎ অসিনা লাকপদা মীওইবা খুন্নাইদা মপান নাইদ্রবা নুংশিবা, ঙাকপীবা, ইশাগী ওইজবা থাদোক্তুনা অফবা পূন্সি মহিং অমদা চৎনবা হোৎনমিন্নদুনা ঈশ্বরবু থাজবা অমসুং অচুম্বনা জয় ওই হায়বদু নৌহৌননা নীংশিং মিন্নসি। নুমিৎ অসিনা লাকপদা তংদু লৈতাবা, অমগা অমগা থাজনবা, অমগা অমগা ইকায় খুন্নবা অদু শাগত্তুনা চাউখৎ মায়কৈদা খুমাঙ চাউশিনবা খুন্নাই অমা ওইরসনু হায়না চেরোল অদুনা মখা তারি।

নাকল অমরোমদা, চীফ মিনিষ্টরগী সেক্রেটেরিয়েটতগী থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, নুমিৎ অসি যীশু খৃষ্টনা মীওইবা খুন্নাইগীদমক্তা কথোকখিবা কয়া অদুবু নীংশিংবা ওইনা মালেম পূম্বদা পাক শন্না নীংশিংনরি। নুমিৎ অসিদা মালেম পূম্বদা লৈরিবা মীপুম খূদিংমক্লা মীওইবা অমা ওইনা *...মখা লমায় ৭তা...*

## 'নম্ফুদা সেন্সস তৌরকপদা থোকপা অফ ফত্তগী তেকচাকশিং লৈঙাক্লা পুগদবনি'

ইম্ফাল, এপ্রিল ০২(এস এন এস)ঃ লমদম অসিদগী য়েলহৌমী ফুরুপ কননবা হোৎনবদা মীতোপশিং খন্দোক্ত্রিঙৈ নমদুনা সেন্সস তৌরক্লবদি মদুদা থোরকপা অফ-ফত্তগী তেকচাক পূম্বা লৈঙাক অসিনা পুগদবনি হায়না কেম্পেইন ফোর জষ্ট এন্দ ফেয়র দিলিমিটেসন (জে এফ দি) গী কনভেনর জিতেন্দ্র নিংওম্বনা ফোঙদোরক্লি।

মণিপুর লৈঙাক্লা শীন্দুনা ষ্টেট অসিদা সেপ্টেম্বর ১দগী পাঙথোক্কনি হায়না থৌরাংলিবা য়ুমকোক মীকোক থীবগী থবক অসি মতম খরা ষ্টেট অসিগী ওইরিবা ফিভম অসিনা য়ৈথোকপীনবা মরী লৈনবশিংদা জে এফ দিনা তকশিন্দুনা লাক্লবসু লৈঙাক অসিনা তাবিদনা সেন্সস তৌনবা থৌরাংলিবা অসিদা মীয়ান্না লৌগদবা থৌদাংশিংগী মতাংদা চরাংপাৎ লক্ষ্মি বজারদা পাঙথোকপা মীফমদা মহাক্লা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

জিতেন্দ্র নিঙোম্বনা মখা তানা হায়, মণিপুরদা হৌখিবা চহী ২০২৩গী মে ৩দগী হৌদুনা ঙসি ফাওবা লমদম অসিদা থোক্লিবা ইরাং অসিনা মীওই লাখ কয়া ময়ুম মকৈ থাদোক্তুনা রিলিফ কেম্পশিংদা চংজফম *...মখা লমায় ৭তা...*

## তংদু লৈতাবা অমসুং অপুনবা মণিপুর অমা শাগৎলকপদা নুপীশিংগী থৌদাং চাউই: গভর্ণর

ইম্ফাল, এপ্রিল ০২ (এস এন এস)ঃ মণিপুরদা তংদু লৈতাবা লৈহনবা অমসুং অপুনবা মণিপুর অমা শাগৎপদা নুপীশিংগী অচৌবা থৌদাং লৈ হায়না মণিপুরগী গভর্ণর অজয় কুমার ভাল্লানা ফোঙদোকখ্রে।

বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা নিংথৌখোংদা খ্বাইরাকপম কৃষ্ণগোপাল মেমোরিয়েল বিল্ডিং শঙ্গাদুনা মীয়ামদা খুৎশিন্নবগী থৌরমদা চীফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা ৱাফম অসি গভর্ণরনা হায়খিবনি।

নিংথৌখোংদা লৈবা কম্ম্যুনিটি হেল্ঠ সেন্টর (সি ঐচ সি)গী কমপ্লেক্স মনুংদা নৌনা শাবা লোয়রবা বিল্ডিং



অদু মণিপুর লৈঙাক্তা শীন্নদুনা হান্না লৈরিবা সি ঐচ সিগী এক্সপান্সন ওইনা শীজিন্নগদবনি। হায়রিবা বিল্ডিং অসিনা মরুওইনা নুপীশিংগী ওইবা মেটর্নেল হেল্ঠ কেয়র হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহনগদবনি। বিল্ডিং অসি বিষ্ণুপুরগী এম এল এসু ওইরিবা হোম মিনিষ্টর গোবিন্দাস কোন্থৌজমগী অপোকপা কে গোজেন্দ্রোগী মিংদা কে গোজেন্দ্রো *...মখা লমায় ৭তা...*

## হেক্তা হায়জিনবা

### উ থাসি য়াম্থৎসি


উ থাসি তম্পাক্তদা
উ থাসি লম্বীদতা
উ থাসি ভাষনদতা
উ থাসি ফোটোদতা
উ থাসি ফিল্মদতা
উগী ৱাখল তাহনসি তম্পাক্তা
উ য়াম্থৎসি চীংদদি
উ কোকথোকসি পামদদি
উ হৌহনগুমসি
ঈচেলগী হৌরকফমদদি
উ হোন্দোকসি চীংদগীদি
উগী ৱাখল
তাহনগুমসি চীংদদি
উগী লমদম
ওইহনগুমসি চীংদদি
উগী মমল
খঙহনগুমসি চীংদদি
উ থাসি তম্পাক্তা
উ য়াম্থৎসি চীংদা।

## *মীচম মীয়ান্নসু মীতোপ খন্দোক্ত্রিবা মখৈ সেন্সস পাঙথোকহন্নিংদ্রি*

জেক

ইম্ফাল, এপ্রিল ০২ (এস এন এস)ঃ ইন্দিয়াগী ওইনা সেন্সস প্রোগ্রাম লাকপদা মণিপুরগীদি মীতোপ খন্দোক্ত্রিবা মখৈ সেন্সস তৌবা য়ারোই হায়না তোঙান তোঙানবা মায়কৈদগী ইহৌ কনশিল্লক্লি। নেসনেল রেজিষ্টর ওফ সিটিজেন্সিপ (এন আর সি) তৌবা নৎত্রগা মান্নবা মেকানিজম শীজিন্নদুনা মীতোপ খন্দোক্লবা তোঙান তোঙানবা মায়কৈদগী অকনবা ৱাফম থম্নরক্লি।

জষ্ট এন্দ ফেয়র দিলিমিটেসন (জে এফ দি)নসু হীরম অসিগী মতাংদা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়া চত্তুনা 'নো এন আর সি নো সেন্সস' হায়বা কেম্পেন কয়া চথুরি। তোঙান তোঙানবা সি এস ও অমদি লূপ কয়ানা মীতোপ খন্দোক্ত্রিঙৈ সেন্সস তৌবা য়ারোই হায়না এৱার্নেস অমদি চেরোল কয়া থোক্লক্লি। করিগুম্বা নমদুনা সেন্সস তৌরবদি মুক্লবা লাক্কনি হায়বা ৱাফম ফাওবা ফোঙদোকখিবা লৈরে। মীকোক থিবা লাকপা ওফিসিয়েলশিং বোয়কোট তৌগনি হায়বা ৱাফম ফাওবা ইমাগী মৈরানা ফোঙদোরক্লি।




হীরম অসিগী মতাংদা ঙসি খ্বাইরম্বন্দ বাজারদা কৈথেল কারকপা মীওইশিংদা সেন্সস তৌবগী মতাংদা পূক্লিং ৱারোল হংবা মতমদা অহল ওইরবী ইমাশিংনা পাউচে অসিদা হায়, মীতোপ খন্দোক্লবা মতুংদা মীকোক থিসি হায়রিবসি লমদম অসিগী লৈরিবা য়েলহৌমীগী ওইবা চপ চাবা পোফম অমা খঙগদৌরিবনি। মীতোপ খন্দাক্লগা মীকোক থিসি হায়দুনা অখঙ অহৈ অমদি মীয়ান্না চঙশিল্লক্লিবা অসি অচুম্বা খোঙথাংনি।

লমদম অসিদা মীতোপকী ইসু লৈরে হায়বসি খঙনরবা ৱাফম অমনি। মীতোপশিংনা লমদম অসিদা য়ৈখায় থিনগায়বা পীরকপা অমদি লীশাং শিংনা মসিগী অৱাবা অসি নংলবনি। লমদম অসিগী য়েলহৌমী অমত্তনা তোখায় তানবা হোৎনদে। লমদম অসিদা লোগী ৱাংমদা চঙশিল্লকপা মীতোপশিং লৈঙাক্কী মেকানিজম শীজিন্নদুনা খন্দোক্ত্রবদি লমদম অসিদা অমাঙবা কয়া থোক্কনি হায়বসি অখঙ অহৈশিংনা হায়নরবা ৱাফমনি। মরম অদুনা লমদম অসিগী মীয়ান্না পাল্লিবা অসি ষ্টেট লৈঙাক্লা খন্নদুনা ইন্দিয়া লৈঙাক্তা এপ্রোচ তৌবীয়ু। লোয়ননা মীয়ান্না পাম্বা অসি খন্নবীদুনা সেন্টর অমদি ষ্টেট লৈঙাক্লা ফজবা সিষ্টেম অমা পায়খৎপীয়ু। মীয়াম্বু অমুক হন্না অৱাবা পীবা থবক্তি তৌবীরনু। মীয়ামগী অপাম্বগী মায়োক্তা তৌরকপা থবক্তা মীয়ান্না হৌরকপা ইহৌদা শরুক য়াগনি হায়খি।

হীরম অসিগী মতাংদা অহল ওইরবা অমনা *...মখা লমায় ৭তা...*

## ৱার্ল্ড ওটিজম এৱার্নেস দে পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০২(এস এন এস)ঃ রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) ইম্ফালদা ৱার্ল্ড ওটিজম এৱার্নেস দে ২০২৬ পাঙথোকখ্রে।

'ওটিজম এন্দ হ্যুমেনিটি-ইভেরি লাইফ হেজ ভেল্যু' হায়বা থিমদা হোস্পিটাল অসিগী সাইক্যাত্রি দিপার্টমেন্টতা লৈবা কম্মন হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা রিমসকী দিরেক্তর প্রোফেসর জি সুনিল কুমার, মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট প্রোফেসর এন সঞ্জিব, দীন (একাদেমিষ্ট) প্রোফেসর এল রাজেশ, সাইক্যাত্রি দিপার্টমেন্টকী প্রোফেসর আর কে লেনিন অমসুং পেদিয়াত্রিক্স দিপার্টমেন্টকী হেদ ডা. সি ঐচ শ্যামসুন্দরনচিংবা মরুওইবা মীওই কয়ানা শরুক য়াখি। রিমস অমসুং দিষ্ট্রিক্ট আর্লি ইন্টরভেন্সন সেন্টর (দি ই আই সি) ইম্ফাল ৱেষ্ট অনীনা খূৎশন্ননা শীল্লগা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা প্রোফেসর জি সুনিল কুমারনা হায়, ৱার্ল্ড ওটিজম এৱার্নেস দে অসি লমদম অমদা ওটিজম লায়নানা নারবশিংবু ঙল্লিঙৈ খঙদোকপা অমসুং ওটিজমনা মরম ওইরগা স্পেক্ট্রম দিসওর্দর থেংনরবা অঙাংশিংবু মতম চানা থিদোকহৌবা অমসুং মীয়াম মরক্তা তিলহন্নবা য়ান্না মরু ওইবা নুমিৎ অমনি।

ওটিজমনা মরম ওইরগা মরুওইনা অঙাংশিংদা নাহনবা মল্টি দিসিপ্লিনরি দিসওর্দরশিংগী মতাংদা পুন্নমক্লা খঙদবা য়াদবা অমসুং মখোয় লোয়নবদা সোসাইটিনা তৌফম থোকপা থৌদাংশিং অদু খঙহন্নবা এৱার্নেস পীবগী তঙাইফদবা লৈ হায়খি।